# মোদিগী বার্টর সিষ্টেম

— কীর্ত্তিচান্দ লুৱাং —




পাউচেগী হেদ্দিং পারগা তোক্লরবা মতমসিদা কোথ-কোথ, হঞ্জিন হঞ্জিনবা ৱাহৈ য়াওহন্দনবা হোৎনজৈ। চেনা লিশীংদা ইবমক্তদসু চল্লোইদবা হীরম অমা পায়খৎচরুরে, পাউচেসিগী লমায় মচী অমদা চন্নবা শুজিনজরি। অরলবা পোল্লাংদা হাপ্পদা অপৌবা খরা পলহৌবদু লৌখৎচবনি। অহৌবগা অরোইবগসু লৌথোকচরগা ময়াঙদগী হেক্তা চথজরে, অপাবশিংগী মতম মাঙহন্দনবা।

শেনয়েক চৎনদ্রিঙৈ, মথায় থায়না পোৎকা-পোৎকা ওন্নরিঙৈ মতম, খোংদ্রুম য়োনবগা মাইরেন য়োনবগা মিৎয়েংদা পোৎশক অনীসি ওন্নবদা চাউবা হায়রপ মান্নবনিনা পূক্লিংদা থোইদোক্লা চিংনবা ইফাও ফাওরল্লোই। খোইহি লিক্লি অমগা শঙ্গোম লিক্লি অমগা মহি ওইরবসু ওন্নরমদাইদা মিৎয়েংনা য়ারক্তবা মতাং য়াওরমগনি। হৌজিক্কী মতমদা হায়রগা লূম্বদি মান্নবা সনা কিলো অমগা লুপা কিলো অমগা ওন্নসি হায়বদা য়াগদবা মী লৈতে। মসিমক্তনা কাইনথংদা মীওইবগী কোক্তা, ৱাখলদা ওন্নবগী খুদোংচাদবসি কোক্লনবগীদমক পান্থে থিরকপদা শেনয়েক পুথোক্লবগী লম্বী য়াৎলকই। খ্বাইদগী ইহান হান্না শেনয়েক পুথোকখিবা মীশক নৎত্রগা লৈবাক্তুগী মরম ঐ নৈনজরোই, তাংদাংবা কুমজা, তারিখ পুথোকপদা ৱারবা ৱাফমনি। ঙসিদি পৈশা ১ চৎপীদগীনা লিশীং ২ চৎপী নোট ফাওবা পুথোক্তুনা য়োনবা অমসুং লৈবগী থবক্তা চাউরবা থৌদাং লৌররে। মসিনা মালেমগী কৈথেলশিংদা পূন্নমক্তগী খ্বাইদগী শক্তি লৈরবা পোৎশক অমা ওইরে। পোৎকা-পোৎকা ওন্নবগী মতমদু অমুক হল্লক্লরোই। অদুবু হন্দক নরেন্দ্র মোদিনা চপ মান্নবা পোৎশক অনী ওন্থোক্লবগী থবক অমা চথুরি। মসিদা খেন্নবা হায়ববু অকক্লবা মতমগী মনুংদা ওন্নহৌগদবনি হায়বা অসিখক্তনি।

স্বিজ বেঙ্কতা ছো লোনশিন্দুনা থল্লিবা ইন্দিয়াগী য়াল্লবা শেনফমগী মতাংদা নৈনরুবা ইতিক নত্তে। ঐখোয়গী ইন্দিয়াদা লৈরিবা বেঙ্কশিংদগী হেন্দোক্তুনা য়ূম কয়াগী ফক্লাংশিংদা নপ নপ্পুনা থল্লম্বা কান্নদ্রবা চেজেৎকা পাংখক ওইরবা খূৎনাং চারবা মরাইবক থিরবা লুপা ৫০০/১০০০ চৎপী নোটশিং ঙসিদি মোদিগী বার্টর সিষ্টেমগী চৈথেংদা লিন্না মকু হুরগা অমুক ইনৌ নৌথোকপগুম থোক্লরে।

মসিমক্তি ইন্দিয়াগী মশীং য়াল্লবা লায়রবা মীয়াম্না তরাম্না ওক্লি। লিন্না মকু হুরমদাইদা অৱাবা চৈথেং খরা ফংবা হায়বসিদি মশানা তাবনি। মতম খরদি মীয়াম মরক্তা অৱাবা মায়োক্লবা শোয়দ্রবনি অদুবু নুংনাংনিঙাই ওইদে। মীখলদা ঙাউরবা পোলিটিকেল পার্টি খরনা পার্লিয়ামেন্টতা লাউ খোংদুনা কংয়েৎ তৌরিবসি চৎনবা য়ারোই।

হন্দক নবেম্বর ৮ গী অহিংদগী চৎনররোই হায়না লাউথোকখ্রবা, তাং ৮ ফাওবগী মমাঙদা চৎনরম্বা ব্লেক মনি হায়বা বদনাম মিংথোল ফংলবা লুপা ৫০০/১০০০ গী নোটপু শাখিবা চেশিংদু মপাপ চেনবা চেশিংনা শাখ্রবরা? কুমজা ২০১৭ কী মার্চ থা ফাওবগী মনুংদা লিনগুম মকু হুদোকপা ঙমহৌদ্রবা লুপা ৫০০/১০০০ চৎপী নোটশিংদুদি লম্বী শোরোক্তা তাবা চেথি চেগুম ওনখ্রগনি। চন্নফম লৈহনখিদ্রবা নোটশিং অদুনা থৱায় পানবা জিবশিং ওইরল্লবা মখোয়বু ফাজিন পুনশিন্দুনা থম্বীরম্বা মপু মপুশিংদুদা অশাউবগী মীৎয়েংনা শোয়দনা য়েংলমগনি।

অসিগুম্বা তাঞ্জাসিদা ৱারেং অসিনা থম্মোয় শোক্লা তেংথাজরিবদি য়ামখ্রবা লাক্ষ, কোটিনা খুজিং ওইরবা শেনফমশিং অদু দিসেম্বর ৩০ দগী মপুন্সি লোইদুনা শিখ্রগনি। অদুক য়াম্বা নোটশিং অদুনা চৎনরিঙৈ মতমদুদা ইন্দিয়াগী লৈমায়দা মপাঙ্গলনা শু নোমদুনা মশাগী হুমাং মমলনা নোংমগী চরা তান্দুনা হিংজরম্বা চমজরবা মীওই কোটি কয়াগী পুন্সিবু লায়েংবদা ৱারবা কেন্সরগী শক্তম লৌদুনা ৱানা ৱানা পিখম্ন হনবিখিবদুনি। ঙসি ঙসিমকসু মীওই কোটি কয়াগী পুন্সিবু শুনা-শুনা, নোম্না নোম্না চাকথুং ফিথুংদনা মৈথক্তা ঙৌবগুম হিংলিবগী মরমসু অমুক হন্না চৎনররোইদবা নোটশিং অদুগী খুদোলনি হায়বদা করিমুক লাল্লিবগে? মোদিগী লিশীং ২ চৎপী নোটনা তুংগী মীরোলদা করি খুদোল অমুক তল্লমগদৌরি হায়বদুমক্তি য়েংখিবা তারি।

ঙরাং নহানমক্তদা চমজরবা লৌমী শিন্মী মীয়ামদা নোক্লিংবা দ্রামা খরা, নোকনিংদবা দ্রামা খরা উৎখ্রে। মদুদি লৈবাক্কী অচৌবা থৌগাই পুরিবা রাহুল গান্ধীনা এ টি এম বুথ মমাঙদা লুপা লিশীং ৪৫০০ গী অনৌবা নোট পায়রগা মতম মাঙহনবমখৈ জগোয় শারম্বদুনি। অমরোমদনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী অপোকপীনা ক্যু লেপ্পদা য়াওরবদুনি। অহলদি লায়রদনা নহা ফাওবনা ক্যুদা মতম কুইনা লেপ্পসি তল্লি, ৱাই হায়নরিবনি। অদুগা হোরেল হয়েং খঙদ্রবা চহীনা নম্বোনরবা মোদিগী মমামক্লা ক্যু লেপ্পদা য়াওররিবসিগী ৱাহন্থোক্লা করি? মোদিগী মমাগী একাউন্টতা ওন্থোকহৌদ্রবদি চৎনররোইদবা লুপা কয়াগী শেনফম য়াওরিবগে? মসিদা প্রিন্ট অমদি ইলেক্ত্রোনিক মিদিয়াগী মীওইশিংনা থৱায় য়াওনা হাপ্লকপা উবদা খোইদৌসি য়াম্না শাউগৎলি। মতম মাঙহনবগী/য়েংনিংদে/পানিংদে/তাৎতু ইফোং ফোংই/ইখঙ খঙনৈ।

লুপা চামঙা, লিশীং চৎপী চৎনখিদবসিনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে হায়বা চুম্মী। ক্যু লেপ্পদা মীশি মীনা থোকখ্রে অদুবু হংজনীংবদি কাশ্মীরগী ঙমখৈদা শিরিবা লান্মীশিংগা করম্বনা হেন্না অৱাবা মায়োক্লবগে? নিরগতসু হিংনরিবা ইন্দিয়ানি, মতম খজিকখকসিদা ঙাইঙম্নদ্রিবা করিগীনো? ইন্দিয়াগী মীয়াম্বু ঙৈহাক নাকোয়ননা থনম্লগা মণিপুরগী মীয়ামদা অমুক হংজনীংই মদুদি নুমিৎ ১১০ নি হেন্না এন এস সী এননা নেসনল হায়ৱে বন্দ তৌবদা ফংখিবা চৈথেংগা শেনয়েক চৎনদবদগী ফংলিবা চৈথেংগা করম্বনা হেনবগে? মণিপুর মচাদি খাঙবা য়াম্না হৈবদাইনে। খাঙউ কৈনো। ৱানিংঙগা ৱাজৌ কৈনো। মপা কনানা মোদোল্লে চিল্লনি। ইজরিবা ইশামকসু শুরগা চাবা মীনি। খুদোংচাদবসি চপ চানা মায়োক্লজরি। শিনি হায়বমক্তি থাজদে। হন্দক্কী মতাংসিমদি চাদ্রসু পুক হেক থনবগুম থোকই। কুইনা নোকপা ফংজরক্ত্রবা খ্রক খ্রক কংলবা চিম্বানসি নোক্লিংবা ফাওরকই। মতাং চারিঙৈসিদা অমুক্তবু নোকহৌগে হা-হা-হা। ঐনা নোক্লিংলিবগী মরমদি ঈশিংবু চাউরক্লবদি অতোঙ-অকুৎ শোয়দনা খরদা ওইরবসু লৈতেম মান্নরকপদুদনি। অদুনা পূক্লিংদা হায়জৈ ধৈননি নরেন্দ্র ধৈননি, সলাম মোদি সলাম। অমুক্কা হেন্না নোক্লিংবা অমতংগা লৈজরি মদুদি লায়রবগী হুমাং মমল নম হাদুনা মৎখিবা কাঙবুগী লুপা ৫০০ গা ৫০০ গা ওন্নরকপদা খোংদ্রুমগা মাইরেলগা, শেবোৎকা থবীগা ওন্নরকপদা শেবোৎ মরক্তা, মাইরেল মরক্তা, অপূম্বা য়াওরম্বদগী থম্মোয় লায়না ওনবা হৌরবা মীওইশিং উরুবদনি হেন্না নোক্লিংলুরিবসি।

নরেন্দ্র মোদি নঙদি মীয়ামগী থৌগল্লোইনি, নশানা হায়জবনি। অদুনা মপুনা য়ানবা চৎলু।আর এস এস কনানো খঙদে। মহৈ তম্ফমশঙশিংদা লৈঙাঙ শঙজিনগনু। যণ হাৎপগী ৱাথোক্লা লৈবাক চরাংনহনগনু। অফবা, অনৌবা স্কিম হৌদোকউ। চাওখৎ লম্বীদা খোঙজেল য়াঙহল্লু। জিষু, অল্লা, কৃষ্ণনা চাওখৎ থৌরাং পুরক্কদবা নত্তে। কোংগ্রেসকী চহী ৬৫ গী লৈঙাক্লা খোমজিনবা ঙমদনা ইন্দিয়াগী লৈমায়দা চাইদুনা তারিবা অমাংবশিংসি মফম চানা লোইশিল্লু। মখুম খুমজিল্লু। কোংগ্রেসতি তাকপদা খঙলরোইদবা, তম্বা তোক্লগদবা মনিংদা ফম্বা মহৈরোয় ওইখ্রবনি। ফনা ফেংলবসু ময়া থৌররোইদবা কোহ্লিং কারবা থাঙ ময়ানি। চেকশিনজৌ বি জে পি, নতিন য়োৎথজৌ, কুইনা হিংনিংলবদি, বি জে পিগী শাইনিং ইন্দিয়াগী অতিয়াদা অমুবা লৈচিল থাংহনগনু, থাংলক্লবসু চৈনা খৎথৌ। কোংগ্রেসতি খন্নররোই। থার্দ ফ্রন্টনা নতুংদা নক্লা লেপ্লরনি মসিমদি কাউগনু। তৌগদবা থবকশিং মথং মথং হায়জরক্কে, থবক্তা ওন্থোকপীরকউ।

# অনম অহা চুরবা ঙসিগী লুচিংবশিং

এম থম্বৌ সিংহ

*মণিপুর লৈঙাক, মণিপুরগী কোংগ্রেস লৈঙাক্লা পায়বনি য়ু এন সীনা পায়বা নত্তে। অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা মফম অনী জিলাগী থাক্তা পুখৎপদা মদুগী ৱারেপ লৌবদা য়ু এন সীনা থিংলিবা করিগীনো? মদুবু তাদুনা লৈফম থোকপ্রা? লমদম অমগী লৈবাক কাঙলোনগী নৎত্রগা চাওখৎ থৌরাংগী থবক অমা হেক্তা পায়খৎপদা য়ু এন সীদগী নৎত্রগা নাগাগী আইন্না থিংখ্রবশিংদগী অয়াম্বা লৌগদৌরিব্রা? মসিদি লৈঙাক লৈবগী করি কান্নরি। হৌজিক অমুক জিলা লাউথোকত্রবদি জিরি লম্বী অমদি ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী অমুক থিংজিল্লকপা তারবদি কমদৌবা, থিংসু থিংদৌরে। অদুদি লৈঙাক্লা কাঙলুপ অনীগা মুক্নদুনা কাল্লে চৈ, কান্দ্রে চৈ ঙাইবগী মহুৎ লৈঙাক্কী মথৌনি জিলা লাউথোকপনা, মণিপুরগী মীয়াম অমদি মহৈ মশীন হৈরবা সেক্সন খুদিংগী মতেং ফংবগা লোয়ননা মায় পাক্কনি। অদুনা মতিং ফুদোকপা মতম ওইরে।*

**ইরমদম** মণিপুর চহী ২০০০ হেনবগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা মশাগী কলা সংস্কৃতি মতিক চানা লৈজবা মাইচৌ কয়ানা খুদম চাংদমগা ইরোইননা নিংথৌরোন কয়াগী অফ-ফত্ত নৈনদুনা লৈবাক্কী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া তৌরম্বা, মনীং মখা তম্না য়ূমলোন্নবা লৈবাক কয়ানা ফিদম ওইরম্বা অদুগুম্বা অপীকপা চীংনা কোয়শিনবা, নোংদা লাইরেল পাখঙবনা ঈশিং চিথোক্তুনা, তোঙানবা কংলৈপুং শেমদুনা মতম মতমগী ওইবা লাইগা শাগোন্নবা মফম কয়া মীং থোন্দুনা লৈরম্বা লৈবাকনি। অসুম্না পুৱারীগা শাগোন্নদুনা মথং মথং পাল্লকপা নিংথৌশিং, লৈঙাকপশিং ঐখোয়না হনগৎনা য়েংবদা হৌখিবা, হৌজিক অমদি তুংগী করি ওইরক্কনি, করি ওইখ্রে হায়বা নৈনদ্রবদি ঐখোয়গী ঙসিগী ওইরিবা থৌওং অসিনদি মণিপুর মচেৎ-মচেৎ তাদুনা মণিপুর কৌবা লমদম অমা লৈরম্মী হায়বা ৱারী লাইরিক্তা থেংনবা নত্তনা কাংখুল মুৎখ্রগনি।

ঐখোয়না খরদং হঙ্গৎনা য়েংবদা কুমজা ১৮৯১ গী মমাঙদা মণিপুর মনীং তল্লমখি হায়বসিদি চুল্লে। মদুগী মমাঙ বৃটিশ ইন্দিয়ানা অতৈ মফমদা তৌবগুম মণিপুরবু লৌশিন্নীংবগী অপাম্বা লৈবনা তোঙান তোঙানবা লাং কয়া থাকপা হৌরকখ্রবনি। কুমজা ১৯৪৭ কী অহিং নোংয়াইদা ইন্দিয়া নীংতম্বদা মরৈবাক নীংবা ওইনা থৱায়না পোন্থা পীখিবা জাদোনাং, টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থঙ্গালনচিংবা কয়া মাঙখ্রবদা লমদম অসিগী নীংতম্বা অমুক হঞ্জিল্লক্তুনা ইন্দিয়া নীংতম্বদা মণিপুরসু নীংতমখি। মতম অদুদদি রানি গাইদিনলিয়ু মণিপুর নীংতম লানগী কৈশুমশঙদা লৈবদগী থাদোকত্রি। অসুম্না চীংমী থিদে, তম্মী থিদে নীংতম্নবা হোৎনবদা থৱায় পাম্মুদবা মণিপুর মচা কয়া পোকখি হায়বা অসি ময়েক শেংই। মসিদা জাদোনাংগী নীংতম্বা চীংগী খক্তা তোঙান্না তানখিদে। গাইদিনলিয়ু কৈশুমশঙদা অৱাবা খাঙবা চীংগী তোঙান্না নৎতে পূন্নমক মণিপুর ইমা লৈবাক্কীদমক্লি হায়বসি ময়েক শেংই। অদুগী মতুং কুমজা ১৯৪৮ গী সেপ্টেম্বর ২১ দা মণিপুর, ত্রিপুরা, কছার অমসুং লুসাই চীং অসি পুল্লগা পুর্বাঞ্চল শেম্বদা মণিপুরগী কাঙখুল মুৎখ্রগনি হায়না জন নেতা হিজম ইরাবতনা মাগী খুজিল থৌরাংনা কলহৌখি। অদুগী মতুং কুমজা ১৯৪৯ দা মণিপুরগী নিংথৌ বুধচন্দ্রবু মতম অদুগী নীংতম্বা কুইদ্রিঙৈগী সেন্টর লৈঙাক্তা হোমগী থবক পুবা সদর হায়বা মিংথোল ফংবা য়োৎকী মী হায়রগসু খঙনবা সর্দার পটেলনা নমদুনা মহারাজবু মোরেল লোকঅপ তৌদুনা শিল্লোংদা মার্জর এগ্রিমেন্ট খূৎয়েক পীহনখি। অদুগী মতুং মণিপুর ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিন্দুনা লৈরকখি। মতম অদুদগী হৌনা নাগাগী ঈহৌ অসি মথি ফোংবা হৌখ্রবনি। মতম অদুদা অমুক কুমজা ১৯৪৭ কী মমাঙ মার্চ ২৪ দা চীং তমগী অপূনবা মণিপুর ষ্টেট কনষ্টিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭ শেম্বদা ৪ শুবা মিটিংদা অহানবা কনষ্টিট্যুসন দ্রাফটিং সব কম্মিটিগী মেম্বর ওইনা এল এম ইবোহল বি এ বি এল, এ ইবোতোম্বী বি এ, দিজমনি দেব এম এ এস কৃষ্ণমোহন এম এ বি এল, এ দাইহো বি এ অমসুং থাংকোপাও কিপজেন বি এ, মখোয়শিং অসিগী চ্যেরমেন্দনা ইবুংঙোহননা ওইরম্মী। অদুদগী অমুক অনীশুবদা চীংগী লোকেল সেল্ফ গভর্ণমেন্ট রিগুলেসন সব কম্মিটি অমুক শেম্বদা এফ এফ পিয়ারসন্না চ্যেরমেন ওইদুনা ইবোতোম্বী, দাইহো, সুইসা, টিয়াংখাম, তেবা কিলোং, ডাক্তর লৈরোন মখোয়শিংসিনা শেমখিবনি।

মসিদগী মার্জর এগ্রিমেন্ট লাকখ্রবদা মণিপুর এসেমব্লি থুগাইদুনা কুমজা ১৯৫০ দা ইন্দিয়া দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক ওইরে, মণিপুরসু মদুগী মনুং চল্লে। ইন্দিয়াগী অহানবা মীখল কুমজা ১৯৫১-৫২ দা তৌবদা মণিপুরসু য়াওনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা লৈদুনা য়াওরে। অসুম্না তমনা অমদি মীতৈ পাঙলনা সী এম ওইরবা মতুং তারকপদা মণিপুরগী চীংগী জিলা উখ্রুলদগী লুচিংবা অনীসু য়াংমাসো সৈজানা সী এম ওইদুনা অমদি রিশাং কৈশিংনা সী এম অমদি তোঙান তোঙানবা লোইশঙগী মন্ত্রি কয়া ওইদুনা চীং অমসুং তম অনীমক্কী লৈবাক ঙাকলোয় কয়া তৌখ্রবনি। হন্দকসু নবেম্বর ১৬ তা মণিপুরগী কেবল নেটৱার্কতা য়ু এন সীদা ব্লোকেদ হন্দোক্তুনা অফবা লম্বীদা ৱারী শান্নদুনা য়ানবা পুরকপনা ফৈ, মীয়াম ৱাহনবা ফৎতে হায়বা অমৃতগুম্বা ৱাহৈ কয়া চহীনা লুম্লবা লাইগী পাংখক ওইরবা অসিনা তাকপীখিবনি। মসিদা লমদম অমা লৈরবদি ইশ্যু মচাদগী অচৌ অচৌবা কয়া থোকপা মহৌশানি। অদুবু মচা মচা খরদি অথুবা মতমদা লোইশিননবা তৌবীগদবনি। মচা মচা ইশ্যু ময়াম পুনশিল্লবদি ঈশিং মরিক মরিক্লা অচৌবা সমুদ্র শেম্বা, উখ্রুল মকুপ মকুপ্না অচৌবা মালেম শেম্বা থোইনা অঙকপা নত্তে। ইশ্যু মচা মচা ময়াম্না পুনশিল্লগা মণিপুর মৈ হৌবা করিসু ঙকনিংঙাই ওইদে।

লীরগা পৈরগা থম্বদা কান্নদবা পোৎশক্তি ইশ্যু মচা ময়ামগা, ফৎতবা অমাংবগনা খ্বাইদগী হেল্লি। অদুনা এদেদ কোলেজগীসু ইশ্যু, এদেদ স্কুলগীসু ইশ্যু, স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগীসু, আই এল পিগী অমদি থবক লৌবগী অরানবা ময়ামগী ইশ্যু, এম এল এ দিসক্কালিফাই তৌবগীসু ইশ্যু, জিলা ওন্থোকপগীসু ইশ্যু, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মিং চনবগীসু ইশ্যু, এদেদকী সিক্স পে পীবগীসু ইশ্যু পূন্নমক অসি ইশ্যু মচা মচাশিং অসি মাগী মথংদা অমা লাক্তুনা য়াশিন্নবা ঙাইদ্রবসু মথং মথং লৌগদবা ৱারেপ অমমম লৌদুনা লোইশিনবদা করি কায়বগে? করিগী লৈবাক মীয়াম্না শিত্র পীবা অমদি ওপোজিসন্না হুন্দুনা ঙাঙবা নুংঙাইনদবা করিগী থমফম থোকপগে? মসিদি য়াইনা থারবা মীগুম লৈবা অনম অহা চুরবা মীগুম লৈঙাক পায়রগা লৈফম থোকপ্রা? মণিপুর লৈঙাক, মণিপুরগী কোংগ্রেস লৈঙাক্লা পায়বনি য়ু এন সীনা পায়বা নত্তে। অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা মফম অনী জিলাগী থাক্তা পুখৎপদা মদুগী ৱারেপ লৌবদা য়ু এন সীনা থিংলিবা করিগীনো? মদুবু তাদুনা লৈফম থোকপ্রা? লমদম অমগী লৈবাক কাঙলোনগী নৎত্রগা চাওখৎ থৌরাংগী থবক অমা হেক্তা পায়খৎপদা য়ু এন সীদগী নৎত্রগা নাগাগী আইন্না থিংখ্রবশিংদগী অয়াবা লৌগদৌরিব্রা? মসিদি লৈঙাক লৈবগী করি কান্নরি। হৌজিক অমুক জিলা লাউথোকত্রবদি জিরি লম্বী অমদি ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী অমুক থিংজিল্লকপা তারবদি কমদৌবা, থিংসু থিংদৌরে। অদুদি লৈঙাক্লা কাঙলুপ অনীগা মুক্নদুনা কাল্লে চৈ, কান্দ্রে চৈ ঙাইবগী মহুৎ লৈঙাক্কী মথৌনি জিলা লাউথোকপনা, মণিপুরগী মীয়াম অমদি মহৈ মশীন হৈরবা সেক্সন খুদিংগী মতেং ফংবগা লোয়ননা মায় পাক্কনি। অদুনা মতিং ফুদোকপা মতম ওইরে।

অমরোমদা, চীং তম পূন্না লৈঙাক ঙাকলোন কয়া তানা তিক্লা তৌদুনা লৈবাক ইরমদম মণিপুরগী ৱায়েল থৌদা তৌমীন্নরকই হায়বা অসি লমদম অসিদা লৈবা মীপুম খুদিংনা চীংমী তম্মী থিদনা খঙফম থোকই। কুমজা ১৯৪৭, নবেম্বর ৪ দা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়াবা থৌওং লাক্লবদা মসিদা ইরাবতনা লুচিংবা চীং তমগী মীহুৎ কাঙবু অমা নাগালেন্দদগী কোহিমাদা চৎতুনা ফিজোগা উনদুনা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক্কী ৱাফম পূন্নমক খন্নখি অমসুং মায়সু পাকখি। অসুম্না মফম মফম খুদিং চৎতুনা মীয়ামগী থৌগল কয়া তৌখি। অদুগুম্না ঐখোয়গী হৌজিক্কী লুচিংবা কয়াসু লৈঙাক পায়বা পায়দবা থিদনা পল্লিবা থিংলিবা অসি করিদনো হৌরিবা ঈৱাং অসি করি তৌরগা ফগনি থিদোকপা, হকচাংগী অনাবা লৈবদা মখল মখলগী মেছিন থাজিন্দুনা থিদোক্তুনা অনাবা মফম পুথোক্লগা লায়েংবদা ফবা ঙাক্তনি। অদুনা মসিগী ইশ্যুশিং অসিসু কুপ্না থিদোক্তুনা পূন্না হোৎনমিন্নদুনা ৱাখল তামিন্নবা অমা চঙই। মসি হোৎনদনা ফমদুনা লৈঙাক মুন্নবগী লান শোক্লরিঙৈদা মণিপুরগী কংলাদা অশেংবা জিরো পোইন্ট ওইরিবা মফম অসিদা নাগালেন্দগী সী এম লাক্তুনা মিটিং তৌরবা শোয়ররোই। অদুনা চৌক্রি মুন্নবগী থবক কোন্না হোৎনবীয়ু। ঙমখৈগী ৱাফম হান্না লোইশিনফম থোকই। পূন্নমক মতম হেনখ্রগনি। মতম হেনখ্রবদি কেন্সরগুম লায়েংবা ৱারগনি।

অমুক্কা নবেম্বর ৮ অমদি ৯ গী লোন্নবা অহিংদা লুপা ৫০০ অমদি ১০০০ চৎপী থিংখ্রে। অদুগা তাং ১১ অমদি ১২ দা তমেংলোং অমদি উখ্রুলদা লুপা ক্রোর ১২২ য়ৌরকখ্রে অদুগা অতৈ জিলা ৭ তনা লুপা ক্রোর ১০৭ খক্তা য়ৌরকখি (ধনবীর লাইশ্রম) মনুং হুৎনা নৈনবদা নবেম্বর ১৪ দা থল্লিবদি লৈঙাক পায়বা পায়দবা থিদনা জিলা অনী অদুদা হেন্না পীরকপগী মরম চুম্না মুন্না থিফম থোকই। অচৌবা মরম অমা শোয়দনা লৈগনি, লায়না লৌবা চুমলোই।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## লাই চৈখেৎপীগী শক্তমদা মোদি

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

***ইমা লক্ষ্মী*** অমদি ইমোইনু লাইরেম্বীদা লন-থুম য়াম্না নিবা কনবা অমসুং লাইশিং অসিগী থৌজালসু ফংলবা শেলনা নমথিবমখৈ পায়রবা, (বেঙ্কতা থম্ফম লৈশিল্লক্ত্রবা) মীওইশিং অসি ঙসিদি করি করি হায়না লনগী লাইরেম্বীশিং অসিদা খুরুম্লমগদগে খনবদা ঐদি হায়ফম খঙদনা ককঙাউনরি। ৱানোম্বা, শেঞ্জা থুমজা, অচান মীরাই নাইবা, ঐগী মীগী খাইবা হায়বা তাইবঙ হৌনশা কয়াসিবু কনানা থিংবা অমদি মুথৎপা ঙমগনি। অদুবু মদু ঙম্নবা হোৎনগনি, খরমখৈদা ওইরবসু লাকশিনগনি হায়বগী থৌনাদুগা লোয়ননা চঙশিল্লক্লিবা মোদিগী লাঞ্জং অসি য়াম্না নৈননিংঙাই ওইরক্লি।

হিংবদা পৈশাসি কয়ামুক মথৌ তাবনো খঙদে। হিমালয় চীংজাওমুক ৱাংনা পৈননবা হোৎনজবদা নুংঙাইনা হিংবা (তংদু লৈতানা, তূম্বা চাবা, কোয়বা...) ফংজদ্রবা মীওইশিং অসিগী পূক্লিং, ৱাখল, অপাম্বনচিংবা কয়াসি নৈনবা য়ারবদি য়াম্না নুংঙাইগনি হায়না খল্লি। কল্ল-কল্লবা তাইবঙগী ৱায়েলশিংদগী ফনা হৈশিংনা নান্থোকচরবসু মপুগী ৱায়েলদগীদি কনাসু নান্থোকপা ঙমখিদ্রি হায়বা পাড়াসি হেক হেক কাউথোক্লদুনা তাইবঙপানগী মালং তরংদা কোইতাও তাওদুনা কাংলম চেল্লিবশিংগী মপুন্সি কয়াদু ওন্থোক্লসু পাম্মুখ্রেদা।

শিবদা অমত্তসু পুবা য়ারোইদবা করিসু নত্তবা লন-থুম খরগীদমক্তা মীবু ৱাহল্লিবা, কপহল্লিবা অমদি হাৎলিবা থম্মোয়শিং অদুনা লাইদা ফজ-ফজরবা, তাংল-তাংলবা অথেনপোৎ কয়া কৎলিবা অদুগী অফবা মহয় লৈরমগদ্রা? লুচিংবা অদু মপুক শেংই শেংদে খঙগে হায়রবদি মাগী য়ূমলৈ-কৈরৈ অমদি মরন-মথুম অদু হান্না য়েংউ হায়নরিবসিগা হায়রুরবদি তিনফা কাকফৈগুম্লবা ঐখোয়গী লুচিংবশিং অসিদা হন্দক মোদিনা গুজরাটতগী পুরকপা অশেংবা টাটা থুম থাকচিল্লকপসিদি মীয়ামদগী চুরুপ-চুরুপ চুপখিবা ঈ অদু লোয়না ওথোক্লরক্লগনি হায়না থাজে। অকুৎপদা শুম লৈতৌবা, অতোংবদা শুম লৈথোনবা অসি মোদিগী বুলদোজরনা হন্দক তেমথোক্লবা উকায় তকখায়রকপসি লনগী লাইরেম্বীশিংনা করি করি খল্লমগদবনো খঙদে।

মহাক্কী নুপী অঙাং, ইমুং মনুংদা করি করি তেকশিন-হঞ্জিল্লক্কদগে হায়বগা অমত্তা নীংশিংদদুনা ঙম্মী মতাগুম মঙোন্দা কারকপা লোয়পোৎ খুদিংমক পৈশিল্লুবদু ঙসিদি মোদিনা নাপচৈ পায়দুনা ফৌগৈদা চুক নম্বা লাক্লেদো। লাইশঙদা অমদি চেরিটেবল ট্রষ্টশিংদা কয়াম কৎথোক্লগদৌরিবনো? দোনেসন তৌরম্বগী চে চাং রেকোর্দশিং অদুনা ইনকম টেক্সকী মীওইশিং পুদুনা য়ূমদা থোঙ থিল্লরবদি অমুক কমদৌবা?

কদায়দবু থৈগদৌরিবনো, কদোমদবু লোৎকদৌরিবনো খনবদা অহিং মিংশেল খাঙনরবা শেঞ্জাও পায়বা অচৌ অশাং, অঙম অথৌশিং নমাংদসু লাং, নতুংদসু তেন হায়বদুগা চপ মান্নখ্রে। মকোক লৈবশিংনা ব্লেক্তগী হ্বাইট ওন্থোক্লবগী খুজিল থৌরাং কয়া তৌনরিবা অসিদা অউপ্পা উনা লোংথোক্তুনা কোয়থি থিরিবা মোদিগী কাঙবুনা মতৌ করম্না খূৎ থারকপগে হায়বদু কুম্মৈ য়েংবা য়াম্না নুংঙাইগদৌরি।

য়েক্লবশিং হাৎনবা হোৎনবদা ঐখোয়গী মীসু খরদি শিবা-নাবা নংবা হায়বসিদি হৌনশানি। মসিদি লানগী মচৎনি। থবক য়াম্না তৌবা মীদি খরদি মীৱা তাগনি। মসিনি মোদিনা তারিবা লানফম (দষা)। মখুন্দগী ঙাপ্রুম থোরক্লবা অকোয়বদগী খোঙনা থিন থিন্দুনা থৌগৎলক্লিবা, লাং নম্বর মখল শুনা থাক্লিবা, লোঙউপ তান-তান্দুনা ইন-হঙ্গেন থাফমদা ঙা হোইশিল্লিবা অমদি ঈশিং চেন্থফমদা লু কয়া থুমলিবা হন্দক্কী মোদিগী পাৎ খূৎচাসিদি ঙাকফা-চাকফাবু চুম্লবদি মাগী শোইদু ঙানা চল্লরোই।

*অদোমগী - ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ*
*এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর*
*দিপার্টমেন্ট ওফ উমংলাই হরাউবা*
*মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর*